হুইয়েন লানপাঊ

Vol. 40, Issue No.219 | য়ুমশকৈশা, হিয়াঙ্গৈ ৯নি পানবা, | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, November 09, 2016, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

ইন্দিয়ন এন্থ্রোপোলোজি সোসাইটিগী ৪৬ শুবা চহীগী কনফরেন্স গভর্ণর ডা. নজমা এ হেপ্তুলানা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কোর্ট হোলদা হৌদোকপা



উরিপোক বচস্পটি লৈকায়দা লৈবা মীওই অহুম তেরা সাপম লৈকায়দগীনি হায়বা মীওই খরনা ফূরক্লগী থৌদোক য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফম্বগী শক্তম



এল দি এনা লোক্তাক পাৎ শেমগৎননবা হোৎনরিবশিং মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্টকী মীহুৎ কাঙবু অমনা ফিল্দদা চৎতুনা রিভিয়ু তৌবগী শক্তম



সগোলবন্দ এসেম্ব্লি কন্সটিটুয়েন্সিদা লৈবা বি জে পিগী এক্টিভ মেম্বর ওইরম্বা মীওই অমা আই এন সীদা চঙলক্লে হায়না এম এল এ, আর কে ইমোনা লাউথোকপা



# লুপা ৫০০, ১০০০ চৎপী হৌখিবা অহিংদগী চৎনখিদ্রে

## অরোনবা শেল পৈশিনবা অমসুং জালি নোট পুথোকপশিংগী মথক্তা চথবা লাননি : প্রাইম মিনিষ্টর

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮ (ঐচ এন এস): জালি নোট অমদি ব্লেক মণি থিংনবগী পান্দমদা গভর্ণমেন্টনা ঙসি অহিং নোংয়াইদগী লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী মখা তানা চৎনররোই হায়না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লাউথোকখ্রে।

ইথা থাজদবা মওংদা লৈবাক মীয়ামদা পীখিবা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, অথুবা মতমদা অনৌবা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ২,০০০ চৎপী নোট পুথোক্লগনি। মথং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা মীয়াম্না লুপা ২,০০০ চৎপীগী নোট উবা ফংলগনি। প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱাফম অদু তাবদা লৈবাক অসিগী মীপুম খূদিংমক অঙকপা পোকহনখি।

পাউ অসি হেক ফংবগা মীওই কয়ানা ময়ুম ময়ুমদগী থোক্লরক্তুনা এ টি এমদগী শেল লৌথোক্লবা থৌরাং তৌনখি হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবা ৱারোল অদুগী মতুং ইন্না নুমিৎ ৫০নি (নবেম্বর ১০দগী দিসেম্বর ৩০) ফাওবগী মনুংদা মীয়াম্না বেঙ্ক নৎত্রগা পোষ্ট ওফিস অমদা হেক্তা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী নোটশিং দিপোজিট তৌগদবনি হায়রি। অদুম ওইনমক নবেম্বর ১১গী অহিং নোংয়াই ফাওবা গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটাল, পেট্রোল ষ্টেসন, প্লেন টিকেট ককফম অমদি রেলৱে টিকেট ককফমদা লুপা ৫০০ চৎপী অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী চৎনখিগনি।

মিনিট ৪০ রোম লৈবাক মীয়ামদা হিন্দী অমসুং ইংলিশ লোন্দা পীখিবা ৱারোল অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, ঙসি অহিং নোংয়াই হেক লানখিবগা লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী নোটশিং ইচম চম্বা চেজেৎকা মান্নরগনি। অদুম ওইনমক লুপা ১০০, লুপা ৫০, লুপা ২০, লুপা ১০, লুপা ৫, লুপা ২ অমসুং লুপা ১ চৎপী নোটশিং লোয়ননা কোইন খূদিংমক মখা তানা চৎনখিগনি।

জালি নোট অমদি ব্লেক মণি থিংনবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা নোংমদা মীওই অমনা লুপা ২,০০০দগী হেন্না এ টি এমদগী শেল লৌথোকপা য়াররোই। মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতগী নোংমদা লুপা ১০,০০০ অমসুং চয়োলদনা লুপা ২০,০০০দগী হেন্না লৌথোকপা য়ারোই হায়রি।

হয়েং বেঙ্ক পূন্নমক থোঙ লোনবগা লোয়ননা এ টি এম খূদিংমকসু মথৌ তৌররোই হায়না মোদিনা মখা তানা ফোঙদোকখি হায়না মখা তারি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীনা হায়, কনাগুম্বনা পান, আধার অমদি ইলেক্সন কার্দনচিংবা গভর্ণমেন্টনা পীবা আইদেন্টিটি কার্দ উৎলগা নবেম্বর ১০দগী হৌরগা নবেম্বর ২৪ ফাওবগী মনুংদা চৎনদ্রবা লুপা ৫০০ অমদি লুপা ১০০০গী নোটশিংবু হন্থবা শেনয়েককশিংগা ওন্নবা য়াগনি। অদুম ওইনমক নোংমদা লুপা ৪,০০০দগী হেন্না ওন্থোকপা য়ারোই। কনাগুম্বনা দিসেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা লুপা ১০০০ অমসুং লুপা ৫০০ চৎপী নোটশিং দিপোজিট তৌবা নংহৌদ্রবদি মথং চহীগী মার্চ ৩১ ফাওবগী মনুংদা শকখঙলবা আর বি আইগী ওফিসশিংদা দিপোজিট তৌবা য়াগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক দিক্লারেসন ফোর্ম অমা মেনশিনবগা লোয়ননা মতম চানা শেল দিপোজিট তৌবা ঙমহৌদবগী মরম ময়েক শেংনা পীগদবনি। মরা তাশিনখ্রবা শেঙ্গা-থুমজা অমদি ব্লেক মণিনা থোকহল্লকপা লায়না পূন্নমক মরু ফংনা মাঙহন্নবগী পান্দমদা অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি হায়রি।

শেঙ্গা-থুমজা, ব্লেক মণি অমসুং টেররিজমগী মায়োক্তা অখন্নবা লাঞ্জং অমা চঙশিনবগী মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা মোদিনা হায়খি, মীওইবা খুন্নাইগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং অসিনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংদা খুরৌ থাংহল্লে। এন দি এ গভর্ণমেন্টনা চহী ২ থা ৬ কী মনুংদা মতিক চাবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু মালেমদা শেঙ্গা-থুমজা খ্বাইদগী তৌবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমা ওইরি। লৈবাক অসিদা শেঙ্গা-থুমজা মপুং ফানা মুখৎপা ঙমদ্রি হায়বা থৌওং অসিনা অদুমক তাকচরে। মতিক ময়ায় লৈবা মীওইশিংনা অরানবা মওংদা য়াল্লবা শেনফম অমা তানশিল্লি। অমরোমদা পূকচেল শেংবা মীওইশিংনা লৈত-লায়রবগী চৈথেং খাংলি।





### মচং ওইবা ৱা

- লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ১০০০ চৎপী ঙসিদগী চৎনররোই।
- লুপা ৫০০ অমসুং লুপা ২০০০ চৎপীগী অনৌবা নোটশিং অথুবদা থাদোক্লগনি।
- নবেম্বর ৯ দা লৈবাক অসিদা লৈবা এ টি এম খূদিংমক মথৌ তৌরোই অমসুং মফম খরদনা নবেম্বর ১০ দসু মথৌ তৌরোই।
- চৎনদ্রবা লুপা ১০০০, লুপা ৫০০গী নোটশিং দিসেম্বর ৩০ ফাওবগী মনুংদা মহুৎ ওন্থোকপা য়াগনি। নংহৌদবশিংনা মরম পীরগা, আই-দি প্রুফ য়াওরগা মথং চহীগী মার্চ ৩১ ফাওবা বেঙ্কতগী ওন্থোকপা য়াগনি।
- মীয়াম্না লুপা ১০০০ চৎপী অমসুং ৫০০ চৎপীশিং থা অসিগী ১০ দগী দিসেম্বর ৩০ ফাওবদা বেঙ্কতা থমজিনবা য়াগনি।
- নবেম্বর ৯ দা বেঙ্ক, পোষ্ট ওফিস খূদিংমক থোঙ থিংগনি।
- কেশ ট্রান্সফর তৌবশিংদদি অপনবা পীরোই।

ঈং-অশাগী পাউ

| দিষ্ট্রিক্ট | খ্বাইদগী শাবা | খ্বাইদগী ঈংবা |
|---|---|---|
| বিষ্ণুপুর | ২৫.৬০ °c | ১৮.৯৪°c |
| চান্দেল | এন এ °c | এন এ °c |
| সীসীপুর | ২৪.২৩ °c | ১৬.৯৩°c |
| ইম্ফাল | ২৬.৯০ °c | ২৩.৪৬°c |
| সেনাপতি | ২৩.০৮ °c | ১৭.৬৩°c |
| তমেংলোং | ২৮.২৬°c | ১৬.৬০০°c |
| থৌবাল | ২৪.৩৯ °c | ১৭.৭০°c |
| উখ্রুল | ১৮.০১ °c | ১৩.৯৩°c |
| মণিপুর | ২৮.২৬°c | ১৩.৯৩°c |

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৭.৭৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৬
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩০
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

## মীওই অনী শিরক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮: কাংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা টুরিবারিগী উমংদা নুপী অমগা নুপা অমগা শিরগা লৈরক্লে। পুলিসকী পাউনা হায়, অশিবা হকচাং অনী অদু ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবদা ষণজেননহা খরনা থেংনরকপনি। লৈখিদ্রবা মীওই অনী অদুগী মনুংদা নুপা অদুদি মশক মমীং খঙলে। মহাক্কী মমীং সুনিল রাই (২০) কৌই। মহাক গোপিবুং ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## রিজল্ট লাউথোক্ত্রি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮: দিরেক্টোরেট ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসন্স (দি আই পি আর) গী ইমপ্লোয়ী লৌনবগীদমক পাঙথোকখিবা রিট্টন টেষ্টকী রিজল্ট লাউথোকপা লৈত্রি হায়না দি আই পি আরগী দিরেক্টর মেঘচন্দ্র কোংবমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। দিপার্টমেন্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা পোষ্টকী রিক্রুটমেন্টগী রিট্টন টেষ্ট অমদি ভিবা ভোসি অনীমক পাঙথোকই। খ্বাইদগী মতিক চাবা কেন্দিদেটশিংবু খন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা চথরি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

## পাউমীশিং লায়েংগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮: ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজু) অমদি ববিনা দাইগ্নোষ্টিক অনীনা খুৎশম্নদুনা দাইগ্নোষ্টিক সেন্তর অসিগী ৩৩ শুবা ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা পাউমীশিংগী ওইবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা ফ্রি হেল্ঠ কেম্প অমা লাক্লিবা নবেম্বর ১০ অমদি ১১ দা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা ফ্রি মেদিকেল কেম্প অসিদা ব্লদ সুগর অমদি ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

গ্যাস এজেন্সীশিংনা গ্যাস য়েনবগী পাউ ফোন নম্বর ৯৭৭৪৮০৩৩১০দা পীবিরকউ।

### HL POLL

Q : Modi Government na Black Money thingnaba lupa 500, 1000 chatpi chatnahankhidabasi yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Pathankot Air Basegi akuppa warol fonglubagi NDTV nongma thingjinbagi warep yaningbra?

Yes 21% No 79%

### অস! লোইরেহে!

অপ্পা, রিজার্ভেসন চাদা ৩১ অদুম ফংবা য়ানরে...!



ব্লোকেদকী মমাঙদা কনানা খাঙবা !

## মহৈশঙশিংদসু সিগ্নেচর কেম্প্যেন হৌরগনি



ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট চৎনদ্রিঙৈদা মণিপুর লৈঙাক্লা মৈতৈ/মীতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবা হোৎনদ্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না কোওর্দিনেটিং বোদি ওন সেদ্যুল ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটিগী কনভিনর মুতুম চূড়ামণিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মুতুম চূড়ামণিনা মখা তানা হায়খি, মৈতৈ/মীতৈবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহনবীনবা তকশিন্দুনা গভর্ণর ডো. নজমা এ হেপ্তুল্লাদা মেমো-রেন্দম অমসু পীশিল্লগনি। দিমান্দ অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী মণিপুর লৈঙাক্তা তক্কদুনা লাকপনি।

লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু পব্লিক মিটিং কয়া পাঙথোক্তুনা লাকপগা লোয়ননা পাক শন্না সিগ্নেচর কেম্প্যেন চথরক্লি। সেদ্যুল ট্রাইবকী লিষ্টতা চনবগী খোঙজং অসিদা লৈঙাক্লা মীখলগী মতম নকশিল্লক্লে হায়দুনা মীৎয়েং চঙদবসি নুংঙাইতে হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

সিগ্নেচর কেম্প্যেন অদুসু হয়েংদগী থা অসিগী ১৫ ফাওবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিং, স্কুল অমসুং কোলেজশিং মরুওইনা অচৌবা কৈথেলশিংদা পাক্তক্লনা চথগনি। সিগ্নেচর ...মখা লামায় ৩ কলম ৩

## লোক্তাক উবদা সেন্টরগী টিম ঙকখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): চাওবা চীংথক্তা লেপ্পগা লোক্তাক্কী ফজবা উবদা সেন্টরগী টিম ঙমখ্রে। পুৱারীগা শাগোন্নরক্লবা লোক্তাক পাৎপু ৱার্ল্ড হেরিটেজ সাইট ওইনা লাউথোকহন্নবা মাঙলোমদা চঙশিন-মিন্নবা মতম ওইরে হায়না টিম অদুগী মীহুৎশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ (নেসনল রিভর কঞ্জার্ভেসন দিরেক্টোরেট)কী মীওই মরিনা শাবা টিম অমনা ঙসি মফম কয়ামরুমদা চৎতুনা লোক্তাকপাৎ য়েংখি। টিম অদুদা শরুক য়াখিবশিং অদুদি ন্যু দিল্লিদা লৈবা এম ও ঈ এফ এন্দ সী সীগী এদভাইজর ডা. আর দলৱানি, মিনিষ্ট্রি অসিগী দি আই জি (দব্লিয়ু এল) এস পি বাসিস্থ, মিনিষ্ট্রি অসিমক্কী এন আর সী দিগী দেপ্যুটি দিরেক্টর চন্দন সিংহ কুমার, জি পি পান নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ হিমালায়ন ইনভাই-রোনমেন্ট ...মখা লামায় ৩ কলম ১

## পেট্রোলগী ষ্টোক লোইশিল্লক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮: য়ু এন সীনা নেসনল হায়ৱেশিংদা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ চথরকপা চয়োল অমরোম ফাজিল্লকপা মরম্না ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসনগী চীংমৈরোংদা লৈবা ওইল দিপোদা পেট্রোলগী ষ্টোক লৈশিল্লক্ত্রে হায়না থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়রি। মসিনা মরম ওইরগা হয়েংদগী ওইল পম্পদা থাউ ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

Now your bank notes in a new design

RBI issues ₹2000 note in a new series



The Reserve Bank of India is introducing new design banknotes in the denomination of ₹2000 as part of **Mahatma Gandhi (New) Series**. The new denomination has motif of the *Mangalayan* on the reverse, depicting the country's first venture in interplanetary space. The base colour of the note is magenta. The note has other designs, geometric patterns aligning with the overall colour scheme, both on the obverse and the reverse. The size of the new note is 66mm x 166mm.

Features of the New ₹2000 Note:

**Obverse:**

1. See through register with denominational numeral 2000 can be seen when the note is held against light
2. Latent image with denominational numeral 2000 which can be seen when the banknote is held at 45 degree angle at the eye level
3. Denominational numeral 2000 in Devnagari
4. Portrait of Mahatma Gandhi in the centre
5. Micro letters 'RBI' and '2000'
6. Colour shift windowed security thread with inscriptions 'भारत', RBI and 2000. Colour of the thread changes from green to blue when the note is tilted
7. Guarantee Clause, Governor's signature with Promise Clause and RBI emblem towards right
8. Mahatma Gandhi portrait and electrotype (2000) watermarks
9. Number panel with numerals growing from small to big on the top left side and bottom right side
10. Denominational numeral with Rupee Symbol, ₹2000 in colour changing ink (green to blue) on bottom right
11. Ashoka Pillar emblem on the right

**For visually impaired:**

Intaglio or raised printing of Mahatma Gandhi portrait, Ashoka Pillar emblem, bleed lines and identification mark

12. Horizontal rectangle with ₹2000 in raised print on the right
13. Seven angular bleed lines on left and right side in raised print

**Reverse:**

14. Year of printing of the note
15. Swachh Bharat logo with slogan
16. Language panel towards the centre
17. Motif of *Mangalayan* - reflecting country's first venture in the interplanetary space

For more details on banknotes in the denomination of ₹2000 please visit: www.paisaboltahai.rbi.org.in

New design notes in other denominations will follow

MINISTRY OF FINANCE GOVERNMENT OF INDIA

Issued in public interest by

भारतीय रिज़र्व बैंक RESERVE BANK OF INDIA www.rbi.org.in

davp 15201/13/0113/1617

### টি ঐচ রাধেশ্যাম য়াওনা মীওই ১৫০০০ বি জে পিদা য়াওখ্রে

## অফবা লৈঙাক পুরকপদা অৱাৎপা খরদং মেনশিনবা পাম্মী : রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৮(ঐচ এন এস): থবক্তগী পোথাখ্রবা আই পি এস ওফিসর থোকচোম রাধেশ্যাম মহাক্কী ৱার্কর লিশিং ১৫ রোমগা লোয়ননা ঙসি বি জে পিদা য়াওখ্রে। বি জে পিদা য়াওখ্রবশিং অদুগী মনুংদা প্রধান, উপ-প্রধান, মেম্বর কয়ামরুম য়াওরি।

হৈরোক এসেম্বলি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইগদৌরিবা টি ঐচ রাধেশ্যাম অমসুং মহাক্কী ৱার্করশিংনা বি জে পিদা মিং চন্নবা হৈরোক্তগী ইম্ফাল তম্না তোঙান-তোঙানবা গাড়ীশিংদা তোংলগা লাকখি। কাংখোঙ অনী, কাংখোঙ মরিগী ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং অদুনা ইন্দো-বর্ম্মা রোদতা হৈরোক্তগী থৌগৎলকপদা মফম কয়াদা ট্রাফিক জাম থোকখি। মশীং য়াল্লবা মীয়াম অদু ইম্ফালদা লৈবা বি জে পিগী ওফিস য়ৌননবা চৎপদা মীয়ামদা শাথীনা খুদোংচাদবা থোকহনগনি হায়না লৌদুনা পুলিসনা কাঞ্চিপুরদা থৎলগা থমখি।



কেন্দিদেট ওইগদৌরিবা মীশক য়াওনা মীওই ২০০ রোমদমক চৎহন্নবা হোৎনখি। অদুমকপু মোটোর বাইক তোংবশিং অদু মমাই লৈথোক লৈশিন ...মখা লামায় ৩ কলম ৫